"ঐবু নোকসিরা ঐবু কপসিরা
হো পুর্নিমা, মেরাগী পুর্নিমা"- মাইবম রামচরন

শৈরেং

## ওজা নত্তবশিংনা ওজা শাবিগনু

—নাওরেম মঙ্গি

ওজা নত্তবশিংনা, ওজা শাবিগনু
ওজাগী শিনফম, ফাগি তাহনগনু
স্কোলরসু নত্তনা, স্কোলর ওইবিগনু
লমজিংবসু হৈতনা, করিগী লমতাক্লি
প্রোফেসরগী মথৌবু, লান্না লমজিংবদুরা?
কদোমদগী লৌবা, দিগ্রি সর্টিফিকেটনো
শোয়খ্রগদি শোয়খ্রে, ঙাকপীয়ু হায়জৌ
লান্না ইরক্লে, খঙলবা অদুদি
করিগী ঙমদে, লাল্লি হায়খিবা
মৈতৈ মচানবু অদুক পাঙদবা
মীয়ানচাগী খোঙয়াখাদা, তোনমন্নসু হিংঙিদা
ইকায়জৈ ঐখোয়, অদোমগীদমক খনবদা
স্কৱার মাইল ৭০০না, মণিপুর ওইবসিবু য়াগদ্রা
অপিকপা অঙাংনফাও, য়ারোই হায়রক্কনি
থুনমক চুমথোকপীহৌ, মণিপুর মৈ হৌদ্রিঙৈ।

## জিরি জিরি

—ইরোম মোবি

জিরি জিরি জিরি
জিরি কৌবা লমদমদা
জিরি জিরি চেল্লকই ত্রেননা।
জিরিদগী জিরি জিরি নূঙকাউ য়ৌরকই
জগোয় শাদুনা ওকচৈ।
জিরি জিরি অমুক চেল্লকপনা
তৌপুল য়ৌরকই কুইদে
হরাউ তয়াম্মী মীয়াম।
অসুম চেল্লকপনা ইম্ফাল য়ৌরক্কনি
অদুগা খাল্লনি।
চৎথোক চৎশিন নুংঙাইবগী হৌনশা
জিরি জিরি কুল্লক্কনি ময়াংশিং
খাম্বা য়ারোই থিংবসু ঙল্লোই
জিরি জিরি লুপ্পকপা য়াই য়েলহৌমী
ইমাদি ঙক য়ৌরে তাদ্রিঙৈ
জিরি জিরি ৱাখল খলহৌসি
জিরি জিরি নুংঙাইনা তূম্নবা।

## ফাক্কৎলুরনু

—এম নিলকুমারি

ফাক্কৎলুরনু;
মল্লবা ৱাওথাংনরবা চেনাশিং
নঙবু কৌরক্কবদি,
নঙনা খুমগদ্রা মালংদা
মালং মাগী তান্থাদি
হন্না হন্না কৌবনি-নহাক্তনা খুমদবনি
নীংতম্বা পাল্লিবা নহাক্কি
করিগী ফাক্কৎলি,
নহাক্কী মঞ্জুনরবা চেনাশিং
থিবদা ৱারনি হৌখ্রবা খোঙচৎকী খোঙথাংনি।
তম্বা লোইরবা নহাক্কী।
খুল্লকউ হৌনা অমুক্তংদি কৌরক্কে;
করি খল্লি করি য়েংলি
অহাঙবা নোংদোলদা নঙনা
লৈচিল' শান্নবনি শান্ননীংবা শক্তমদা;
মুনা মুশিন মুনা অমুক লাক্কনি
ৱাওথাংনবা ফিজোল অমুক শেৎলক্কনি
ফাক্কৎলুরনু অমনবা চেনা
ইদুনা লৈহৌরসনু মথন্নতা
নীংশিংবা পূন্নমক থাদোকলো
থাদোক্কবদি কপকনি - নোক্কনি শক্লাইদ্রবা শক্তমদা।
লোৎলুরনু থম্মোয়দা মিৎলুগী পিরাং!
মনীং তম্না চেন্থহনখ্রো- নীংতম্বা পাম্বা নহাক্লী।

## পোপী

—এল চিত্র

পোপী লৈরাং শকহেনবী
নীংথিবী শক্তম উবদা
ঙাওরোইদবা কনানো?
কুচু লময়ৌনা ফজবী
নীংথিবী নুজাগী শাবানবু
কল্লকলোইদবা কনানো?
থোৎনা নৌবা শক্তমদা
লৈহিদা হু পুরম্বা
থাজদবা নতৌদা ঙকলুরেদো ঐহাক্তি
ফজবী নঙগী হকচাংদগী
শেল্লকপা খূৎশেম তাইবঙগী
ওইরে, ঙাওহনবা, মাঙহনবা
নহারোল কয়াগী পুন্সি
পুকচেল ফাবা ঙমদ্রবা
লমহেন তুহেনবা কয়াবু
কন্নীংবনা ঙাওরবা অঙম্বা
য়াথং তাওথরি মাঙহন্নবা মালেমদগী নহাকপু
মীওইববু কননবা শীজিন্নবী অশিংবনা
হীদাক ওইনা লায়েংনবা
অপংবনা শীজিন্নৈ নিশা ওইনা নহাকপু
মশানা মশাবু মাঙহঞ্জে
ও অৱাবনি লৈরাংও
পুন্সি পিখম্নখিবা
কল্লকইদা কল্লকই।

## নোংমদি শোয়দনা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

নোংমদি শোয়দনা
কায়নরগনি খঙনা
চৎমিন্নরি,
পুন্সি লম্বীগী পন্থুং
অদুনা য়ৌদ্রি ফাওবা।
কনানা হানগদবা
কনানা কোলহৌগদবা
খঙদে চৎমিন্নরি ঙসিদি
পন্থুং অদুগীদমক।
নোংমসু নোক্লা নোক্লা
নোংমনা অৱাবা
অমগী ঈথক ঈরৈদা,
কাউঙমদ্রবা থৌদোক
কয়াশিং নীংশিংলদুনা
থম্মোয়দা চৈনা
অমদি ওইরগনি
খঙনা, খঙনা
নোংমদি শোয়দনা।

## মীয়ামদা ৱা ঙাঙবা

—ইরুংবম দেবেন

মরম অমা নৎত্রগা অমদি পীগনি মহাক্লা
মহাক্কী অশোয়বশিংগী;
তাইশিন্নগনি মাগী য়েক্লবশিংদা।
শন্দোক্লা হায়গনি মহাক্লা
মহাক্লা পাঙথোকখিবা খরদুবুদি;
হায়জিনগনি কা হেন্না
অদুগা পুনবা হোৎনৈ ঐখোয়বু হুমদুনা।
কনানবু উৎলুগনি করম হায়না
লাল্লি হায়না মহাকপু?
পল্লক্তে মাগী ৱাঙাঙদা
মহাক্লা তৌবদি ঙল্লবসু
তৌখিদবা ময়াম অদুদি;
য়াওরক্তে মহাক্কী অশোয়বা ময়াম।
চৈ থাংই মহাক্লা মাগী য়েক্লবশিংবু
মাগী অশোয়বতা য়েংই হায়দুনা।
অদুবু হায়জনীংবা অমদি
লৈরি মহাক্লা খঙদবা ৱা অমদি
খঙই ঐখোয়না মসিগী মশান্না অসিদা
থাজনীংঙাই ওইদে কনাবুসু।
হিসাব কূপ্না হোৎলি ঐখোয়
কয়াম থাজগদবা কয়াম থাজরোইদবা।

## অথোইবা মপোক

—ডা. ইবোহল অকোইজম

ঙাল্লমগে ঐদি লংনা ঙান্না
নাইতোম থোকপা ধ্রুব তরাগুম
নাকল অনীমক্তা চাক্লিবা মোম্বতিগুম
চাক্লবসু কোক তোন অনীমক্তা
ফংজহৌসনু অমম্বগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরিবা
মখোয়শিংদুনা মঙাল খজিক্তং ওইরবসু
ওইজসনু মখোয়গী ঙাক্লৌ অথোইবা
পাক্লবা তাইবঙ ঈপাক লানবদা;
শাৎলমগে লৈরাংগুম লৈনম নুংশিরবা
য়েল্লমগে খোইথুম্নরবা লৈনম ঐহাক্কী
য়ৌরু য়ৌরুবা মফম খুদিংদা,
অহিংদা ফুগায়না লৈশাৎ তম্লম্লগা
তাইবঙ পূক্লিং শুস্মৎলম্লবা তুং
নোংঙাল্লকপদা চোইজাইননা কেনবগুম
ওইরম্বদি য়াই পুন্সি তেল্লকপা
লৈশক লৈচু হেঞ্জদ্রবী লৈরাং;
মাগীনি হায়দুনা হন্না য়েংবদা
কনা লৈজদ্রবা তোল্ল তারবশিংগী
খোঙলোয় ওইনা চৎপা ফংজগে
মখোয়গী মীৎলু নাপোম অনীদগী
শিন্থরকপা পিরাং লাইজ ঈরিকশিংদো
খজিক্তং ওইরবসু তৈথোকপা ফংদুনা
মোমোন মিনোক তমহনবা ঙমজরবদি
পোকচমনগী মহয় য়াল্লে খঞ্জগে।

## ইপাম লমদম

—থবাতোম্বী ঙাংবম

ইপাম লমদম!
খঙহৌদা চাক্লকখি নোংমা মৈরীনা
মৈৱায়রকখি নিংঙোলগী হকচাংদা
ফাওরকখি মৈশা তুখোং খুদিং।
চেনশিল্লি খাম্বী মৈ কঞ্জগে
নিংঙোলগী থৌনা পুথোক্লদুনা
তিংথোকচরুই থোৎলবা খূৎশা
খিকচখি লাইজ ঈশিং
মূথৎচগে মতাগুম।
ইবুং কৈরোই ওনখ্রবা
ইপ্পা লৈকায় ওইখ্রবা
শেৎন-খায়না চামিন্নরকপা
অৱা-কোঙ্গায় খাঙমিন্নরকখিবা
কাঙখুল অমত্তগী চারাশিং
শক্লোন হোংলমখি ঙম্লমক।
থাজদ্রবা মীচৈনা
চৈনা পুরবা ৱাহৈলক্তা
য়েংলকখি মীৎয়েং দাগফম তানা
ইৱাল ওইজখি খোঙদাজরুবা।
ঈহৌরকখি মীৎলু নাপোম
নীংশিংলদুনা লাইওইরবা পলেম পম্থৌ
চিংথোকচনীংলুই মোংফমনুংদগী।
লৈগী লৈনাদা তারবসু
লৈকোল ঙম্না কংশিনখ্রগদবা
হৈগী হৈকোলদা শীন্থরবসু
হৈপাল কংশিনখ্রগদবা
নিংঙোলগী পিরাং খাল্লদুনা
হন্দোরকখি তুংওইনরম্লগা
ইপাম লমদম।
পুন্সিগী লৈতেংসু ওইরিবা!
থম্মোয়দা চৈনাসু পীরিবা,
হে! নিংঙোলগী পিরাং
নহাক,
অসুমক কনশিনখিবা তারবা?
মীৎলুদা অসুম অসুম...।

## ঊনা ঊনা মঙলাক্লরবা

—নরেশ লাইময়ূম

ঐনা উরি তাইবঙপানসিবু
অশেংবা শক্তমলা
পূম্নমক মচু হোংখ্রবরা
মহৌশাসু হোংলবরা মতমগী য়াওল তুংইন্না
মঙদা থোকপদা অকি তুজুংনা
থল্লগদবা পোৎপু
তাইবঙদা ইমিৎসিদা উদুনা
লৈরিবসিবু মহৌশা লাইরেম্বী নহাক্কী
শক্তমবু কাইরগা চৎলবসু
মোমোন নোক্তুনা য়ারবরা
অনৌবা জুগনি খল্লগা।

মতম মতমগী ৱাখল

# লমদমসিগী নাৎতা হোংলক্লিবা মশকশিং-(১)



মীওইবনা তান্নবসি চাউখৎলকপনি। চাউখৎলকপনা অহোংবা কয়া পুরকই। মীওইবগী পূন্সি মহিংদা চাউখৎলক্তবা য়ারোই। চাউখৎলকপা অসিদা তৌবা ঙম্বা তান্নবা অমসু তুংদা চেন্নরকই। তৌবা ঙম্বগা চাউখৎপগা অনী অসিনা তূনা চৎমিন্নরকপা মতমদদি মাঙনবা মরমসি য়াম্না থোকহল্লকই। ঐখোয়না লাইরিক-লাইশুদা তমলকখ্রে মদুদি মীওইবনা ঙল্লিঙৈদা লৈকুৎ লৈরাইদা লৈরম্মী, ফি শেৎলমদে, অহীংবা পোৎ চারম্মী। মী অমগা মী অমগা কাঙলুপ মশেন উন্নবদা হাৎনরম্মী, পোৎ চৈ মুন্নরম্মী । লোন ,ৱাহৈ লৈরমদে,শক চুসু থোক্লরমদে। শা-কৈ,কৈশাল-লমওক, উচেক ৱায়ানা থল্লম্মী। ককয়েন মীঙম্বনা মী চেনবগী ৱারী তুতেংলোন্দা অরীবা লাইরিক্তা থেংনরি।

ঙসিদি মীওইবা ঐখোয় ৱাখল লৈরে, অৱাৎ-অপা লৈত্রে। চাউখৎপদা খম থেংলে। অহোংবা কয়ানা মালেমগী মফম খূদিংমক্তা উবা ফংলি । তৌবা ঙম্বা তান্নবনা হেন্না চাউখৎপগী অহেনবা অমগুম্না লৌনরক্লিবা মতমসু ওইরি । চাউখৎলকপনা অসুম হেনগৎলকপদা মহৌশাদগী লৈজরকপা পোৎলমশিং, চৎনরম্বা শাজৎ, লিচৎ, পূন্সি মহিংদা অহোংবা কয়া লাকপদগী পাম্বী, মনা শিংনাশিং,পোৎশকশিংনা হু ওইরকপা, লৈরম্বা শা কৈ উচেক ৱায়াশিংনা মুৎশিল্লকপা ঐখোয়না থেংনরি। হান্না লৈরম্বা মীওইবা কাঙলুপ কয়া অমসু অচৌবা কাঙলুপ্তা তিনখিবা, মখোয়গী খোঙ্গুল মুৎখিবা লৈরি। মতম অমা খুৎকন পাঙ্গনবা অমা ওইনা লৈরম্বা হৈরেম খুঞ্জা মাঙখ্রে। থাঙ্গ কম্বোং হায়রম্বা থাঙ্গা খক্তা ঙায়হৌরে । য়েক শল্লাইশিংগী মরক্তা তোঙান্না পাল্লম্বা সল্লাইশিংগী মরক্তা খাবাগা ঙানবা পুনশিনখিবা, শরাংগা লৈশাংথেমগা পুনশিনখিবা কয়াসু ঐখোয়না থেংনরি। পূম্নমক অসি মতমগী অহোংবা অমদি চাউখৎলকপদগী ওইরকখিবা ঙাক্তনি। কাঙলুপ অমা মাঙখিবদা কাঙলুপ অদুগী চৎনরম্বা শাজৎ, নাৎ, লোল, য়ূমশা-কৈশা পূন্সি মহীং পূম্নমক মাঙখি । মসি ঐখোয়গী মাঙজবা অৱাৎপা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অমনি।

অঙনবা মতমগী লৈরম্বা চৎনরম্বা, নাৎকী মশকশিং কয়াগী পুৱারীগী ৱারীদি মণিপুরী খোরিরোলদা লৈহৌরে। কুনমাথোইশুবা চহীচা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা ওইরকখিবা হোংলক্লিবা অসিদি থম্মোয় শোক্লিংঙাই য়াম্না ওইরি।

হিন্দু লাইনীং লাকপদগী হোংলকখিবা অওনবনা হান্না লৈরমদবা কয়া হাপচিনবদগী হান্নগী চৎনরম্বা কয়া মাঙখিবা লৈরগসু মফম খরদা মশক হেন্না ফজহনবসু লৈরি। অমাঙ অতোংসি অনীমক্তা থেংনৈ। মসিমক্লা লমদমসিগী নাৎকী মশক্তা পূংমাং মাঙবদি নৎখিদে।

হৌজিক ঐখোয়না ইশাগী নাৎকী হান্নদগী চৎনরম্বা মশক্তগী অহোঙবা কয়াম লৈরবগে হায়বসি হঙ্গৎনা চঙশিল্লগা নৈনবা য়াই । মসিদা তাঙ্কক খায়দোক্লগা নৈনবা চংঙি । য়াম্না কূপশিনবা নত্তবদা, ৱারেং অসিগী ওইনা পৌরপ্পা মিৎ নাকোং ওইনবা খরদি থমজনিংলি । লৈরক অমা শৈশক অমা, লৈকাই অমা শৈদা অমা হায়নবগুম চৎনবী নাৎকী মশক অসি মমাংঙৈদগীহৌনা ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনা মখল মথেলনি। লমদম অসি চীং অমসুং তম হায়না শরুক অনী অমুকসু খায়দোক্লা লৈরি । চীংদা চৎনবা নাৎকী মশক্লা তমদা চৎনবা মশক্লা খেন্নবা য়াম্না লৈরি। চীংদা খুন্দারিবা অসিসু লোন মান্নদবা শাজৎ চৎনবী মান্নদবা কয়ানি। মতম অমা চৎনরম্বা কয়া ঙসি উবা ফংলক্তবসি তম্পাক্খক নত্তনা চীংদসু চাউনা থোক্লি । অহোংবা হায়বসিমদি মতমসিনা পুরকখ্রবনি । অহোংবা পুরকখিবসি লাইনীং লম্বী, লাইশোন তিনশোন ধর্ম্মনসু চাউনা মতেং পাংলকখি হায়বসিমদি য়েৎনিংঙাই ওইরোই। নাৎকী মশক নৈনরকপদা লাইনীং লাইশোনগী মতাং অসি খরা নাথৈনা থমদবা য়াদ্রি। নাকন অমরোমদা য়েংবদা, হৌজিক্কী মতমগী লম্বী থোং হোংলকপা, মপান্দা মহৈ মশীং তম্বা চৎনরকপা, থবক ইনখাং শুবা নোম্বা মীরমদা, মপান লৈপাকশিংদা চৎনরকপদগী মপানগী মীরমগী চাউখৎপগী মশকশিং উবা হেল্লকপা কয়াদগী মতৌ তম্লকপা, হোংলক্লবগী মরমশিং অসি ওইরকখি। মতৌ তম্বা হেল্লকপসি নহারোলশিংনা খরা হেল্লি। মখোয়না মতৌ তমলকপসি মরুওইনা ফিজেৎ চাকচা, ৱাঙাং অসিনা হান্না তম্মি । ফিজেৎ চাকচা, ৱাঙাং হোংলক্লবনিনা শাজৎ হোংনীংলকই। ইশাগী নাৎকী চৎবী হৈনরক্তে, পাম্বা ৱাৎলকই। ইশাগী চৎনবী অসি মতমগা চান্নদ্রবনি খল্লকই।

মহৈরোইশিংনা অমদি নহারোলশিংনা মীরমদা, মপান্দা লাইরিক লাইশু তম্বা চৎপদি অমরোমদা মতম খরতনি। মতম খরদং লৈরুবদা থেংনরকপা মতমগী শাজৎ খর তমলুবগী ৱাতনি। য়ূমদা লৈরবা মতমদা হান্নগী নাৎকী চৎনবীদা অমুক হল্লক্কনি। কনাগুম্বা খরদি হৈনখিবা অদুনা অদুম ঙমখিদুনা নাৎকী চৎনরকপা কয়াবু নাথৈরকপা য়াম্না য়াওনরি। য়াম্না তৌহন্নিংদবদি- মপান্দা থবক তৌখিবা পোষ্টিং তাখিবদগী ইমুং মনুং য়াওনা চহী খরা লৈরুবদা মরুওইনা য়ুম পুবী মৌনহা কনাগুম্বনা মীরমদা মতম খরা লৈরুবদা লোল কাওশিল্লকপা, খোম্থোক চূম্না মৈতৈলোন ঙাঙলক্তবা, থৌওইনা ইমালোনগী মহুৎতা মীরোল ইংরাজি নৎত্রগা অতোপ্পা লোলনা হেন্না নম্না ঙাঙদুনা মীতোপ ওইরকপসি নুংঙাইতবা অমনি। পীক্লিবা মচাদা মৈতৈলোন ঙাঙবা তম্বীবগী মহুৎতা চাউখৎলবনি হায়দুনা পীক্লিবা মচাদা ইংরাজি,হিন্দি ঙাঙশিনবা মসি হৌজিক মণিপুরগী মপান্দা লৈবা নুপীশিংনা য়াম্না কন্না চৎনরি। মণিপুরদগীনি হায়রগদি হন্থনা উই হায়বা কনাগুম্বনা খুম্বসু লৈখি। মণিপুরীশিংবু ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা নন মণিপুরীশিংনা উশিৎতনা হন্থনা তৌবগী ৱাফমসিমসু থোক্তবদি নত্তে। থৌদোক কয়া মাঙলমচৎতা লৈখ্রে । মায়োক্লরিবা নুংঙাইতবা অমনি। কনাগুম্বনা মণিপুরী মৈতৈ মালহন্দনা মপান লমদা লৈবসু য়াওনরি। অদুগা অমুক মণিপুরী মৈতৈ মালহন্দনবা হোৎনজরবসু মায়থোংদি হেক উবদা নেপালি মানবা নৎত্রগা নোর্থ ইষ্টকী শকফম অদুদি মাঙবা য়াদবনিনা মদুদা য়েংলগা করেম্নবা, তাথিনা তৌবসু য়াওখি। পূম্নমকসি হোংলকখিবা শাজৎ, ফিজেৎ অদুনসু মরম অমা ওইখিবনি হায়বসি ঐখোয় য়াফম থোকই।

অতোপ্পা চাউনা হোংলকখিবা খরদি মীরমদা চৎলুবা, লৈরুবদগী উরকপা খঙলকপা মওংশিং অদু ঐখোয়গী নাৎকী চৎনবীদা শীজিন্নরকপা অমা কন্না হৌজিক তৌনরি। অতৈ হায়রুদ্রগসু হৌজিক্কী মতমগী মণিপুরী মৈতৈশিংগী লুহোংবদা উরিবা হোংলক্লিবা মশকশিং অসি হেক্তা নৈনবা য়ারে । হৌজিক লুহোংবদা লুহোংফম শঙ করম হায়না শানরিবগে । থায়নদি লৈকাই লৈকাইদা মরুপ লীংখৎতুনা মরুপকী জিঙ্খ্, মরুপকী ত্রিপান ডম্বুর,ফকশাং পুখম তেংকোৎ লৈনরম্মী। য়ুমগী লুহোংবা, শোরাৎ নাহুৎ নারেং অমা থোকলকপদা লৈকাইগী মীয়াম লাক্তুনা লৈকাইগী মরুপকী পোৎচৈ শীজিন্নদুনা কোম্না শঙলেন (মান্দপ) শানৈ। অরৈবা পোৎ পুথোক্লে। মতেঙ পাংনৈ । হৌজিক্তি, লুহোংফম শোরাৎ শোনফম মীঙোন্দা নেক্লরে। মতম অমগী চৎনরকপা লুহোংবগী মান্দপ চম্না খন্নবদু নৎত্রে । হিন্দুগী দুর্গা পুজা লাৎফমগুম্না ফিজং মচু মচু, লাইট সাউন্দ মপান্দা তৌনবগী মওংদা শীজিন্নদুনা লুহোংফমদা কেখৎনরে। লুহোংগদৌরিবী নুপীময়ুমগী থোঙ্গালদা লুহোংগদৌরিবা নুপা নুপী অনীগী মমিং মথাবু সিনেমাগী হোল মমাংদা পোষ্টর থেৎপগুম থেৎপা অমসু কন্না চৎনরি। লুহোংবগী নুপী থিল্লকপদা দুর্গা পুজা লোইবগী লাই থাদবগুম বোম্বুলা থাবা চৎনরে । ফিজংগী ফি মচু মচুনা হরাউ কুম্মৈগী থৌরম অমা পাংথোকপগুম শেল য়াম্না চঙনা শেল্লগা লুহোংফম ওইনরি। মাইক সাউন্দ শীজিন্নবা, নুপী ঈশৈ কাঙবুনা শক্কদবা ওইরগনা এফ এম সাউন্দ সিষ্টেম শীজিন্নদুনা নাকোংদা মাইক্রোফোন হাপ্তুনা রেকোর্দিং ষ্টুদিওদা রেকোর্দ লৌবগুম ঈশৈ শক্লরে। লুহোংবগী থৌরাং অসি অঙকপা অমনি। মতম অমা লুহোংবদা শামু তোংলগা থিনবা কনাগুম্বা অঙম্বা খরগী চৎনরম্বা মচৎনি হায়নরম্বদু ঙসি চৎনরিবা তৌনরিবশিং অসি উরগদি করিসুবু নৎখিদ্রে। অদুদগী হেন্না লুপা য়াম্না হেন্না চঙনা, তরেৎকী শেঞ্জা তিংনা লুহোংবগী থৌরম পাংথোক্লরি।

কনাগুম্বগী অশি-অনা, মথৌ মঙম পাংথোকপা, শোরাৎকী থৌরমদা চেম্পাক অতিংবা মীয়াম্দা য়েন্নরম্মী। শেন পায়বা কনাগুম্বনা শোরাৎতা তন তৌবদা অঙম্বনা তৌবনি, ইনাকখুনবনা শোনবা শোরাৎনি শিংথানরম্মী। ঙসিদি অশি অনাগী শোরাৎ শোনবদা লাইরবা ইনাক খুনবা চপ মান্নরে। লাকপীবা মীপূম খূদিংমক্তা পুখম, ফি, কম্পর হাপ্পগা য়েনবা অমসু কন্না চৎনরি। পুখম হাপ্পসিমদি শোয়দনা তৌনরে । অরাকপাশিংদা পুখম পীদবা শোরাৎতি শোরাৎ মান্দ্রে । শোরাৎতা, লুহোংবদা পৈশা থাবদা মীৎয়েং তাবিরিবা মমাং ফম্বা অহলশিং য়াওনা পৈশা থাবা অমসু কন্না তৌনরি। পলা মশীংদগী মমাং ফম্বা লৈকাইগী অহলশিংনা হেন্না মশীং য়ামলম্বদগী পৈশা থারিবা মীদা হেন্না শেল তিংবা হেন্নবা মরম অমসু মায়োক্লরি। পৈশা থাবসু লুপা তারা চৎপী তোক্লরে কুন চৎপী থাবনা লেম্নবগুম্বা মতৌ অমসু উরি। অসিগুম্বা কয়া অসি হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা অনৌবা হাপকৎলকপা নাৎকী মশক্তা চাউনা হোংলক্লিবা অমনি।

(মথং মথং মখা চৎথজরকখিগনি।) ●

—মাখোনমনি মোংসাবা

ৱারী ককনাউ

# অকংবগী মহাউ

হন্দক নারুবদগী মশা খংশোন শোন্থখ্রবী ইনে তমুবীদু অয়ূক অঙনবদুদা মৌ অনৌবীদৌনা ইরু মায়থজরগা চাক থোংনবা কন্না থৌরাং তৌরি। মাগী মশাদা থোইদোক্লা ৱারৌবা, নুংঙাইতবদি অমত্তা উদে হায়বু মথম্মোয় অদুদদি কৈনোনে তৌরিসিবো হায়না শোয়দনা খল্লমগনি। ইরুজরুরগা অচোৎপা ফনেক্তু শুমাংদা লৈরিবা পোলাংখোক্তা ফৌনবা মখ্বাং কোল্লি-কোল্লি, মশাদু শোল্লি-শোল্লি লাক্লগা নেক-নেক শংদুনা ফৌররি। মাম্মা চাওবনা শঙ্গোই মচিদা মোরা মচা অমা থারগা ফমদুনা য়েংলি। ইনেনা পোলাংখোক্তা ফনেক অচোৎপদু ফৌরুরগা হন্দোরকপদা খোঙফম চাহৌদদুনা থোক তুশিল্লি। মাম্মদু মনাক্তা লৈরিবা চৈশুদু তাপ পায়রগা কোক-কোক শুদুনা ইনেগী মনাক্তা চঙলকই।

"করিগীনো ঙন্না লুজরিদি, নশাদু নাবা ফরকপদসু ঙাইরি"

"চাক থোংগে তৌবনি, অয়ে...য়ে, খ্বাংসি শুজিনখ্রমাল্লে, নাবনা লোইরে" মাম্মনা শৌগৎতুনা ইনেদু হৌগৎপী।

"নমৌ নুপী অনী লৈরিববু করিগী নঙনা চাক থোংদৌরিনোনে?"

"অনীমক মকোক চিকই হায়দুনা হিপ্পী, মোই ঙাইরবদি ঙসিগী ওইররোই, নচানুপাখৈ চাক চাদনা থবক চৎনরনি হায়দনা তৌবনি"

"মৌ অনীদুদি কয়া কন্না ঙমদ্রবা"

"অদুদি খঙদে, হংলসু খুমদে, মোই ৱাসি তোক্লসি, হনুবা নঙনা ঐগী নাক্তা চঙশিল্লকপসি মীনা কৈনোমা খল্লনি হন্দোক-ও ঐনা থোকপা অদুম তৌজগে"

ৱাতাদুদা মাম্মদু খিতং ইকায়বা মাল্লি, কনা কনা উগে হায়না ইমুংলোমদা য়েংই। মমায় লৈথোরক্লগা, নাশোন্না শোল্লি, "নুংশিববু নহা অহল খাইবরনে, হনুবনা শীবা ঘড়ীসু, নহানা শীবা ঘড়ীসু পুংদি চপ মান্ননা তাবনি। হৌজিক অয়ূক্কী পুং ৭ তারিসিবু হনুবনা ঐগী ঘড়ীদা পুং ১০ তাবা য়াবা নত্তেদা" ঙাঙনা-ঙাঙনা মাম্মদু থোকখি।

ইনেদু মমায়দু খুইরসু মখ্বাংদু কোল্লসু, নোকফেৎ তৌজৈ, "হনুবসিনা ঙাঙবা ৱাসিমা, মচেক্লা য়ৈরগা ময়ানা পোপ হেক্তা ফুইদা" হায়রম্মগা মাঙ্গোল শিড়ীদু মখোঙ নাম্মা নাম্মা থাঙ্গৎতুনা ৱানা কারগা ইমুং চঙখি। মতৌদু মাম্মনা শঙ্গোইদা হঞ্জিন্দুনা ফম্লগা মখূৎ অনীদুনা চৈশুদু পায়রগা য়ামাং অমত্তা য়াওদ্রবা ময়াদু হিগৎতুনা রোমান্স শুংগৎতুনা লৈহৌই।

মাম্মগী মমৌ নুপী অনীদু তোঙান চানীংবনা খ্রো-খ্রো হেক খোৎলি হায়দু য়ৌরবনি। ইনেগা মাম্মগনা মবুক ফম্মনবা ৱা অমত্তা হায়দবসিদা খৎনফম লৈতদনা ওম্থোক্লা ৱানা লৈরিবনি। খিত্তংবু ঙাঙলবদি খৎনরগা তোঙান চারগে হায়না ঙাইরিবনি। মমৌ নুপী অহলদুনা মকোক মৱ্দ ইচাও চাওনা ফমুং ফময়াইদা ফম্লগা মনেম হনুবীদুনা তৌরিদু য়েংলি, "কৈনোনে হনুবা হনুবীসিবো, নোংমতসু ৱাকাই অমত্তা হায়রকউ, তপ তাখৈ খৎনথোক্লগা চাকখুম তোঙানগে তৌবনি। কৈমতা হায়দেনে, সিদি তনবা অমা য়াওশিল্লক্লেদা"। মমৌ অতোনবীদুসু, তূম হৌগৎলক্লগা চাকশঙদা চঙলক্লগা মনেম্না চাক থোংলিবদুদা চঙশিল্লক্লগা হায়রপ য়েংলম্মী, হকাম চন্দুনা মকোক খোৎলগা থোকই। ইনে তমুবীনবু শোলহৌই, "ইহে য়াহৌসি খরা ঙল্লদি ফগদবনি, মশা অমত্তা ফররোইনেসে, তৌবুদি নহানিনা ৱাজ দনা তৌরিনি" কয়াদা ফজখ্রবা ইনেগী ৱাখলনো, সিদবু কনাননো খৎনবা হৌরুদুইসিবো?

ইনে তমুবী চাক লোইশিনখ্রে। থবক চৎকদবা মচাশিংগী থিদোক্তুনা থম্বীরে। মচাশিং চঙশিন্দুনা চানখ্রে। ইনেগা মাম্মগদি মাঙ্গোলদা ঙাইহাক পোত্থাদুনা ফম্লি। মমৌ-মমৌশিংদুনা মাগী মাগী নুপা শেন্নদুনা মাঙ্গোল লোমদা থোরকই। চিরোল খারোল মাগী মাগী নুপাদা তৌই। নুপাশিংদুসু কৈসু থোইনা খন্দনা 'হোয়-হোয়' হায়রম্মগা চৎনখি। ফনা থেংলবফাওবা ইমুংদা চঙনখিবদগী মপান থোক্লরক্তে। পুং ১০ হেল্লকপগী অদুদা ইনে তমুবীনা, "ইচাশা চাক চাথোক্লবা তৌরসিদনা, নখোয়বু ইরু মায়থজখিরোইদরা", ইচম চম্না হায়জরুবনি, কদোমদগীনো খঙদে, মমৌ অতোনবীদু হান্না ফন চোঙথোরকই।

"কৈনো ইমানা ঐখোয়না ইরুজবফাও সুম পান্নদুনা লৈরিসিবো? সিদি মীনা পু থাং ঙম্বা পোৎ নত্তেদা, হেনমল্লে, য়াম হেনমল্লে হায়রিসিনি" হায়নরিঙৈদুদা মৌ অহলসু থোরক্লগা, মচেক য়ৈদুনা হায়রকই,

"ইনাও য়াররোই য়ূমসে পানবা ঙম্লরোই, সিদি কৈনোমা ওইনা তৌরে। ঐখোয়বু কয়া য়াম্না চমোৎনবীনো?"

"কৈনোনে ইচাসা, ঐদি চুম্নতা চাক চানবা তৌরসি হায়রুবনি, নখোয়না অদুক য়াম্না শাওরিদুবো করিগীনোনে?"

য়ৌ-য়া য়ৌ-য়া ফনা য়াম্না মৌ অনী চঙদুনা হনুবীদুদা ঙাঙবীরে, লাঞ্জদবী ইনে তমুবী কয়াদা শাথীনা লাল্লবা মাল্লবনো। ঙসাই মখৈ মখূৎতা পায়বা চৈশুদু লৈমায়দা কোক কোক শুদুনা তারিবা মাম্মনা তাইনফম খঙদনা ইনেদা চৈরকই।

"হৈ, থৌ লৈতবী, নঙ শিগেরা হা, ঐনা পায়রিবসি করিনি হায়না উই, নঙ নপাম য়ৌগেরা ঙসি। তূমিন লৈয়ু তানীংদে, নঙ ঐগী থায়নগী মচিংদু লাক্লবদি নাতৈ চারোই"।

"কৈনোদা, করি ৱাতানোদা, ঐবু করি কায়রগে, ঐনা হায়রিদুবু করি অশোয়বা য়াওরগে, পংহায় হায়বসু নুংঙাইতেদা"

"নঙনা হায়রিবা খুদিংমক অকায়বনি, কায়বা য়াওদনা ইমৌশিংসিনা শাওরকইনি। নমৌ য়ানবা চৎপা ঙমদবী নঙদা শিজখ্রোনে" মাম্মদু চৈ হায়বদুনি কুৎলবা মমিৎতু ইরা চেল্লি।

মৌ অনীদু মাগী মাগী কাদা য়েংনরগা চঙনখ্রে।

মাম্মনা ইনেবু য়েংলগা ঙসাইমখৈ মিৎলুদা থৎতুনা লৈরম্বা পিদু পন কায়বগুম খুইরবা খজাইদা চেন্থরক্লি।

ইনেনা তপনা চঙশিনবীরগা মাম্মগী মপিদু ইনফি মচি অমনা তৈথোকপীখি। মচিন্দা ৱাহৈ অমত্তদি থোক্লরক্তে, মথম্মোয়দদি মশীং নাইদ্রবা ৱাহৈ কয়া হায়নখিবা মাল্লি।

-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা